ককচিং এসেম্ব্লী কন্সটিট্যুএন্সিদা ইন্দিয়ন নেসনল কোংগ্রেস (আই এন সী)কী মীরেপ ওইননবা থৌরাং তৌরিবা কে এস ঐচ কেনেদিনা ককচিং কৈথেলগী থোংগী হেক মখোঙমক্তদা কুৎথদুনা লৈরিবা মফমশিং শেমজিনখিবা

নাওরিয়া পাখংলাকপা এসেম্ব্লী কন্সটিট্যুএন্সিগী মনুং চনবা লাইশ্রম লৈকায়গী পোল্লিং ষ্টেসন ২১/২ অমসুং ২১/৩গী ইলেক্সন ওফিস বি জে পিগী মীরেপ ওইননবা থৌরাং তৌরিবা শোরাইশম কেবীনা রিবন কক্তুনা হাংদোকখিবা

লিলোং এ সীগী মনুং চন্না লৈবা চীংখম চীংগী খাসলেন্দগী চয়েৎনরিবা মফমদা পুলিস আউট পোষ্ট শাননবা থৌরাংলিবা অসি য়াবা ঙম্লোই হায়না লিলোং চীংখম ময়া দিভেলপমেন্ট ওর্গনাইজেসনগী থৌমীশিংনা ফোঙদোকখিবা

কুমজা ২০২২দা পাঙথোক্কদৌরিবা ১২শুবা মণিপুর লেজিসলেটিভ এসেম্ব্লীগী মীখলদা খুরাই এ সীদা মীরেপ ওইননবা থৌরাংলিবা খাগোকপম খম্বনা এ সী অসিদা লৈরিবা নিঙোলশিংদা নিঙোল চাক্কৌবগা মরী লৈননা খুদোল তমখিবা

লম-তূ শিং শেংখ্রে

ইম্ফাল, নবেম্বর ০৭ (ঐচ এন এস): নবেম্বর ১৫দা পাঙথোক্কদৌরিবা থাঙ-তাগী নুমীৎ (থাঙ-তা দে)কী মাঙওইননা লাক্লিবা নবেম্বর ১০ য়ুমশকৈশা নুমীৎতা লাইনিংথৌ সনামহী খুরুম্বগী খোঙচৎ অমা চৎকদৌরিবা অসিগী লমথুংফম ওইগদৌরিবা সনামহী কিয়োং সেলোই লংমাই চীংদা কিমাক্সকী জেনরেল সেক্রেটরি থাংজম সুরজ মৈতৈনা লুচিংবা কাঙবু অমনা লম-তূ শিং শেংখ্রে হায়না কংলৈ ইন্দিজিনস মার্সিএল আর্টস এন্দ কলচরেল সোসাইটি (কিমাক্স)কী পব্লিসিটি এন্দ ইনফোর্মেসন সেক্রেটরি এল সৈত্যমজিৎ মীতৈনা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

চেরোল অসিনা হায়, লাক্লিবা নবেম্বর ১০দা চৎকদৌরিবা লাইনিংথৌ সনামহী খুরুম্বগী খোঙচৎ অসিদা লমদম অসিদা লৈরিবা থাঙ-তাগী লূপশিংগী থৌমীশিং, মহৈরোয়শিং লোয়ননা লমদম অসিগী তোঙান তোঙানবা স্কুলশিংদা থাঙ-তা ইন্সত্রক্টর ওইবীরিবা অমসুং থাঙ-তাবু নুংশিজবা মীওই কয়ানা হায়রিবা খোঙচৎ অসিদা শরুক য়াগনি হায়নসু ফোঙদোরক্লি।

শঙলেন কংখ্রে

ইম্ফাল, নবেম্বর ০৭ (ঐচ এন এস): ৱাংখেম এ সীগী মনুং চনবা থৌবাল ৱাংখেমদা নোংপোক নিংথৌ অমদি ইমা পান্থোইবীগী শঙলেন অমা শানবগীদমক্তা লাক্কদৌরিবা ১২শুবা মণিপুর লেজিসলেটিভ এসেম্ব্লীগী মীখলদা ৱাংখেম এ সীদা বি জে পিগী মীরেপ ওইগনি হায়না থৌরাং তৌরিবা কঙাবম জাদুমনি য়াওনা ঙসি উরেপ উয়ুং তমখ্রে। উরেপ উয়ুং তম্বগী থৌরম অদুদা সনা কোনুং, উত্রা শঙলেনগী অঙোম নিংথৌ অঙোম অমুবীসু শরুক য়াখি হায়রি।

খুদোল তমখ্রে

ইম্ফাল, নবেম্বর ০৭ (ঐচ এন এস): নুংশি চান্নবা হিংমিন্নবগী পান দমদা লমদিং এদ্যুকেটেদ ৱেলফেয়র এসোসিএসন (লেৱা) লমদিং থৌবাল দিষ্ট্রিক্টনা নিঙোল চাক্কৌবগা মরী লৈননা লৈকায় অসিদা লৈরিবা, মমা-মপা অমদি ইমুং-মনুংগী অৱা-অনা পুদুনা লৈরিবী চহী ৪০গী মথক্কী ইচে-ইচলশিংগী য়ুম-য়ুমদা চৎতুনা লেৱাগী থৌমীশিংনা ঙমজবা খুদোল পীদুনা ঈকায়খুম্নবা উৎখি অমদি ইচে-ইচল কয়ানা লেৱা লমদিংগী থৌমীশিংদা মতম শাংনা মীয়ামগী থবক তৌবা ঙম্বা ওইয়ু হায়না থৌজাল পীরকখি হায়না লমদিং এদ্যুকেটেদ ৱেলফেয়র এসোসিএসন (লেৱা)গী প্রসিদেন্ট এস ওজিৎনা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

নিঙোল খুদোল

ইম্ফাল, নবেম্বর ০৭ (ঐচ এন এস): নিঙোল চাক্কৌবগা মরী লৈননা খুরাই এ সীদা লৈরিবা নিঙোলশিংদা লাক্লিবা এসেম্ব্লী মীখল অসিদা মীরেপ ওইননবা থৌরাং তৌরিবা খাগোকপম খম্বনা নিঙোলশিংদা খুদোল তমখ্রে। সেন্ট্রেল ইলেক্সন কম্মিটি কে ঐচ খম্বনা খুরাই এ সীদা লৈরিবা পোল্লিং ৪৩দা লৈরিবা য়ুমথোঙশিংদা নিঙোল চাক্কৌবগা মরী লৈননা অঙম্বা খুদোল তমখিবনি। লোয়ননা নিঙোল ওইবীশিংনসু কে ঐচ খম্ববু মায় পাকপা ওইরসনু হায়না থৌজাল পীখি।

১০৩শুবা গ্রেট ওক্টোবর সোসলিষ্ট রিভোল্যুসনগী থৌরম মফম কয়াদা পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, নবেম্বর ০৭ (ঐচ এন এস): কম্যুনিষ্ট পার্টি ওফ ইন্দিয়া (সী পি আই) মণিপুর ষ্টেট কাউন্সীলনা শীন্দুনা ষ্টেট অসিগী তোঙান তোঙানবা মফম কয়াদা ১০৩শুবা দি গ্রেট ওক্টোবর সোসলিষ্ট রিভোল্যুসনগী থৌরম মফম কয়াদা মায় পাক্না পাঙথোকখ্রে।

লম্লাই ইরাবত পার্ককী হোলদা পাঙথোকখিবা থৌরমদা সী পি আইগী সেন্ট্রেল এগজিক্যুটিভ মেম্বর ডা. এম নরা অমদি সী পি আই মণিপুর ষ্টেট কাউন্সীলগী সেক্রেটরি এল সোটিনকুমারনা ৱা ঙাংখি। কুমজা ১৯১৭তা রসিয়াদা থোকখিবা শুরি-নোল্লিবা মীয়াম্না ভি আই লেনিনগী লুচিং মখাদা পাঙথোকখিবা রিভোল্যুসন অদুগী মরমদা নীংশিংদুনা ৱাফম কয়া থমখি।

সঞ্জেনবম শান্তিপুরগী ইরাবত ম্যুজিয়মদা পাঙথোকখিবা ১০৩শুবা গ্রেট ওক্টোবর সোসলিষ্ট রিভোল্যুসনগী থৌরমদনা লেফ্ট কোওর্দিনেসনগী লুচিংবশিংনা দেজদা ফমদুনা থৌরম অদুদা শরুক য়াখি।

মোইরাংদসু সী পি আই মোইরাং লোকেলনা শীন্দুনা ১০৩শুবা গ্রেট ওক্টোবর সোসলিষ্ট রিভোল্যুসনগী থৌরম পাঙথোকখি। ইরাবত ভবনদসু প্রোগ্রেসিভ রাইটর্স এসোসিএসন্না শীন্দুনা ১০৩শুবা গ্রেট ওক্টোবর সোসলিষ্ট রিভোল্যুসনগী থৌরম পাঙথোকপগা লোয়ননা থৌরম অদুদা লাইরিক অমসু ফোঙখি।

থৌরমদুদা ৱা ঙাংলোয় ওইখিবশিংনা, মালেমগী মরুওইবা অচৌবা থৌদোকশিংগী মনুংদা অমা ওইরিবা ওক্টোবর রিভোল্যুসন অসি ষ্টেট অসিগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা ১০৩শুবা গ্রেট ওক্টোবর সোসলিষ্ট রিভোল্যুসনগী থৌরম পাঙথোকপগা লোয়ননা ভি আই লেনিননা মালেমদা তম্লম্বা অচৌবা খুদোল কয়াবু শীংথারদুনা ৱাফম কয়া ফোঙদোকখি।

‘চয়েৎনরিবা মফমদা পুলিস আউট পোষ্ট শাননবা থৌরাংলিবা অসি য়াবা ঙম্লোই’

ইম্ফাল, নবেম্বর ০৭ (ঐচ এন এস): লিলোং এ সীগী মনুং চন্না লৈবা চীংখম চীংগী খাস লেন্দ ওইরিবা চয়েৎনরিবা মফমদা পুলিস আউট পোষ্ট শানবগী থৌরাংলিবা অসি মীয়াম্না য়াবা ঙম্লোই। মীয়ামগী মায়োক্তা থবক চথরক্লগাদি লমদমসিগী তোঙান তোঙানবা সী এস ওশিংগা খুৎশম্নরগা অকনবা খোঙজং চঙশিল্লগনি হায়না লিলোং চীংখম ময়া দিভেলপমেন্ট ওর্গনাইজেসনগী সেক্রেটরি এম দি অস্লম খাননা পাউমীশিদা ফোঙদোরক্লি।

থৌবাল দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চন্না লৈবা লিলোং এ সীগী লিলোং চীংখম ময়াদা পাঙথোকখিবা পাউমীশিংগা উনবগী থৌরমদা মহাক্না মখা তানা হায়খি, লিলোং চীংখম চীং অসি অপূনবা পাক চাওবা ৯.৫৬৫০ হেক্তরগী মনুংদা ১.৫৬৫০না কবুই ফুরুপনি। লেমহৌরিবা ৮.০০ হেক্তরদি খাস লেন্দ ওইনা হৌখিবা কুমজা ১৯৬৮দগী লৈরক্লিবনি। মসিগী মরী লৈনবা দোক্যুমেন্ট কয়াসু লৈরিবনি। অদুবু খাস লেন্দ ওইরিবা মফম অদুগী অশাবা পাট্টা পুথোরক্তুনা মীয়াম চৎনরিবা লম্বীদা য়ুম শাজিল্লকপা অমদি নত্তবা ৱাহৈ শীজিন্নরকখি। অসিগুম্বা ওইবা য়ারোইদবা কাঙলুপ নাইবা মানবগী খোঙথাং অসি হন্দে দাকপীয়ু। য়াম্না ঙক্লিবদি চয়েৎনরিবা মফম ওইবতা নত্তনা লিলোং পুলিস ষ্টেসনগসু জিরো কিলোমিটর ওইরিবা মফম অসিদা লৈঙাক্না পুলিস আউট পোষ্ট থমগনি হায়বা ৱাফমসিনি। খাস লেন্দ হায়বসি মীয়ামগীনি, মীয়ামগী ওইবা কান্নগদবা কম্যুনিটি হোল, স্পোর্টস কমপ্লেক্স নৎত্রগা মীয়ামগী ওইবা ষ্ট্রকচর অমা থম্বগী মহুৎতা পুলিস আউট পোষ্ট থমগনি হায়বা কৈদৌনুংদা য়াবা ঙম্লোই। মসিদা লৈঙাক্না নম্ফু তৌরক্লগাদি মদুদা থোক্লক্কদবা অফ-ফত্তগী থৌদাং পুম্বা মণিপুর লৈঙাক্না পুগদবনি। লোয়ননা হীরম অসিদা মরী লৈনবা দিপার্টমেন্ট অমদি লমদমসিগী সী এস ওশিংনা অখন্নবা মীৎয়েং চঙবীয়ু হায়নসু ফোঙদোরক্লি।

পাউগী মীফম অদুদা শরুক য়াখিবা লিলোং চীংখম ময়া দিভেলপমেন্ট ওর্গনাইজেসনগী চীফ এদভাইজর অলহজ অশরফ আলিনা ফোঙদোকখিবদা, চহী কয়াগী মমাঙদগী মফম অসি খাস লেন্দ ওইনা খুলগী ষনজাবুং অমদি লৈকায় অঙাংশিংগী শান্নবুং ওইনা লৈরক্লিবনি। অদুবু য়াম্না থাজদবা মওংদা শাখিবা পাট্টা পুথোরক্তুনা চয়েৎনবা থোকহল্লিবা অসি য়াম্না লাইবক থীবনি। মরম অসিনা অথুবদা লৈঙাক অমদি মরী লৈনবশিংনা ইস্যু অসিগী ৱারোইশিন পুরক্কুবা হোৎনবীয়ু হায়নসু ফোঙদোরক্লি।

ককচিং কৈথেল থোংখোংগী অকুৎপা মেনশিনখ্রে

ইম্ফাল, নবেম্বর ০৭ (ঐচ এন এস): ককচিং কৈথেলগী থোংগী হেক মখোঙমক্তদা লম্বীগী শরুক নাকল নাম্মা কুৎথখিবনা গাড়ী থৌরকপদা এক্সিদেন্ট কয়া থোক্তুনা মীয়ামদা খুদোংথিবা কয়া থোরকখিবা অদুদগী মখা তানা থোক্তনবগীদমক ককচিং এসেম্ব্লী কন্সটিট্যুএন্সিদা আই এন সীগী ইন্টেন্দিং কেন্দিদেট কে এস ঐচ কেন্নেদিনা বিলামাটি (সিমেন্ট) অমদি নুঙ হৈজিন্দুনা শেমজিনখ্রে।

কে এস ঐচ কেন্নেদি, ইন্টেন্দিং কেন্দিদেট আই এন সীনা ফোঙদোরকপদা, বর্মা-শুগুনু লম্বী অমসুং নেসনল হায়ৱে-১৩৭ (এ)গী শরুক অমসু ওইরিবা, ককচিং কৈথেল ফাওদুনা চৎলিবা লম্বী অসিগী সেংমাই তুরেলগী মথক্তা শারিবা কৈথেল থোংগী হেক মখোঙমক্তদা ফিট মখায় অমরোম নমথখিবদগী মফম অসিদা গাড়ী মচা থৌরকপ মীওই কয়া য়াম্না তোয়না এক্সিদেন্ট থোক্তুনা লাক্লি। মরী লৈনবা লৈঙাক্কী লোয়শঙ অমদি অঙম অথৌশিংনা শেমজিনবীরক্কদ্রা খন্না লাকখিবনি। অদুবু শেমজিনবীরক্তবা অদুগা নোংম-নোংমগী এক্সিদেন্ট থোকপগী চাংনা অসুম অসুম হেনগৎলকপা অসিদগী খরদং ওইরবসু কোক্কবা হায়দুনা ঙসি বিলামাটি (সিমেন্ট) অমদি নুঙ হৈজিন্দুনা শেমজিনজবনি।

কে এস ঐচ কেন্নেদিনা মখা তানা হায়খি, ককচিং এ সীগী মনুংদা লৈরিবা মরুওইবা লম্বী কয়া মতম শাংনা শেমজিনবীদবদগী পোটহোল (অকুৎপা) কয়া লৈরক্লে। নুমীদাংগী মতমদা মীয়াম্না চৎথোক-চৎশিন তৌবদা পোটহোলশিংদা এক্সিদেন্ট থোক্তুনা অশোক-অপন কয়া য়াওরকপা, ককচিং কৈথেল ফাওদুনা চৎলিবা এন ঐচ ১৩৭ (এ)গী ককচিং লমদোংগী টর্নিংদা অচৌবা পোটহোল লৈবদগী এক্সিদেন্ট থোকপা কয়া অসি উরুরগা নুঙচাক হৈজিন্দুনা মীয়াম্না থেংনরিবা খুদোংথিবশিং অদুদগী কোক্লবা হোৎনবনি। মখা তারকপদা ককচিং এ সীগী মনুংদা লৈরিবা লম্বীশিংগী পোটহোলশিং মহাক্না অঙম্বা থাক্তা মেনশিনবগী থবক চথখিগনি। মহাকপু ককচিং এ সীগী মীয়াম্না নুংশিবীদুনা এম এল এ ওইহনবীরবদি মীয়াম্না হায়নবা নাইদনা, ৱাত্ত-পাদবা, চাউখৎপা অমসুং নুংঙাই য়াইফবা ককচিং এ সী অমা ওইহন্নবা হোৎনগনি হায়নসু ফোঙদোকখি।

গুৱাহাতিদা নিঙোল ১০০ রোম চাক্কৌখ্রে

ইম্ফাল, নবেম্বর ০৭ (ঐচ এন এস): পেট্রিওটিক রাইটর্স ফোরম (পি এ দব্লিয়ু এফ), গুৱাহাতিব্রাঞ্চ, অসামনা ফোরম অসিগী ময়াই লোয়শঙ মণিপুর অমদি ত্রিপুরা ব্রাঞ্চকা খুৎশম্নরগা ঙসি কেকোরানগর গুৱাহাতিদা লৈবা শ্রী শ্রী রাধা গোবিন্দ মন্দিরদা বাংলাদেশ, অসাম, ত্রিপুরা, দেল্লী অমদি মণিপুরগী নিঙোল ১০০ রোমদা নিঙোল খুদোল তমজদুনা নিঙোল চাক্কৌবগী থৌরম পাঙথোকখ্রে হায়না পেট্রিওটিক রাইটর্স ফোরম, মণিপুরগী সেক্রেটরি রাকেশ নাওরেমনা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

চেরোল অসিনা হায়, ইমোইনু গ্রুপস অসামগা খুৎশম্নরগা পাঙথোকখিবা থৌরম অদুদা পি এ দব্লিয়ু এফ মণিপুরগী প্রসিদেন্ট নাওরোইবম খম্বা লুৱাং, গুৱাহাতি ব্রাঞ্চকী প্রসিদেন্ট থৌনাওজম শ্যাম অমদি ত্রিপুরা ব্রাঞ্চকী প্রসিদেন্ট গুরুময়ুম বিপ্লব শর্ম্মা অহুম্না প্রসিদিয়ম মেম্বর ওইনা শরুক য়াখি। লোয়ননা বাংলাদেশতগী লাকপা ইমিনেন্ট রাইটর মাইস্নাম রাজেশ অমদি দেল্লিদগী সোসল এক্টিভিষ্ট খুলানা লাইময়ুম অনীনা মথংশিংনা স্পেসল গেষ্ট অমদি গেষ্ট ওফ ওনর ওইনা শরুক য়াখি। থৌরম অদুদা মেনুফেকচর্স, এক্সপোর্ট এন্দ হোলসেলর ন্যু দেল্লীগী প্রোপ্রাইটর গিরাজকুমার অমদি সুনিলকুমারসু শরুক য়াখি।

পি এ দব্লিয়ু এফ মণিপুরগী সেক্রেটরি রাকেশ নাওরেমনা থৌরমগী নুংগী ওইবা ৱারোল থল্লদুনা ফোঙদোকখিবদা, চোইজাইনখ্রবা মীতৈ ইচে-ইচল, ইমা-ইবেল কয়াগা মবুং-মৌপ্পা ওইবশিংনা নুংশিবগী অচেৎপা মরী শাগৎনবগী পান্দমদা কুমজা ২০১৬তা ইহান হানবা ওইনা ফোরম অসিনা শীন্দুনা গুৱাহাতিদা নিঙোল চাক্কৌবগী থৌরম হৌদোকচখিবনি। অসিগুম্বা থৌরম অসিনা চোইজাইনখ্রবা ইচে-ইচলশিংনা ঐখোয়গী ট্রেদিসনল কষ্টম অমদি চৎনবী কয়াবু ঙাকপদা চাউনা থৌদাং লৌরক্কনি থাজৈ। মীতৈ ঐখোয়গী লোল, নাৎ, শক্তম, ঙমখৈ অমদি চৎনবীশিং ঐখোয়না ঙাকচগদবনি। ঐখোয়না ঙাক্তনা অতোপ্পা ফুরুপ অমত্তনা খক ঙাক্লোই। মবুং-মৌপ্পা অনীগী মরক্তা অচেৎপা মরী শাগৎনবগী ৱাখল্লোলদা চহী খূদিংগী নিঙোল চাক্কৌবগী থৌরম অসি পাঙথোকচনবা হোৎনজগনি। মীয়াম্না কোওপরেসন পীবীয়ু হায়নসু চেরোল অসিনা মখা তানা ফোঙদোরক্লি।

কনফরেন্স পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, নবেম্বর ০৭ (ঐচ এন এস): হিলস ইকো-ইভেঞ্চর টুরিজম মণিপুর (ঐচ ঈ এ টি-এম)না খুমাই (তুঙম) য়ুথস এন্দ ষ্টুদেন্টস ওর্গনাইজেসন (কে এস ও)গা খুৎশম্নদুনা শীল্লগা পাওমাতা সেন্টর, বি আর দি এ হোলদা ইকো ইভেঞ্চর টুরিজম ফোর সষ্টেনেবল রুরেল লাইভলিহুদকী মতাংদা নোংমগী ওইবা কনফরেন্স অমা পাঙথোকখ্রে।

কনফরেন্স অদু হৌদোকপগী থৌরমদা পি ঐচ ঈ অমদি প্রিন্টিং এন্দ ষ্টেসন্নরি মিনিষ্টর এল দিখোনা স্পেসল গেষ্ট অমসুং দিষ্ট্রিক্ট ফোরেষ্ট ওফিসর, সেনাপতি দি জোন সাহনা রিছোর্স পার্সন ওইনা শরুক য়াখি। থৌরমদুদা ৱাঙাংলোয় ওইখিবশিংনা টুরিজমগী মরুওইবা ৱাফম কয়া ফোঙদোকখিবগা লোয়ননা লমদমসিবু টুরিষ্ট সেন্টর অমা ওইহন্ননবা হোৎনবদা পুন্না থৌদাং লৌমিন্ননবা ৱাফম কয়াসু থমখি।

ম্যান্মারদা নিঙোল চাক্কৌবগী থৌরম পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, নবেম্বর ০৭ (ঐচ এন এস): ম্যান্মার (বর্মা)দা খুন্দারিবা মৈতৈশিংনা হিয়াঙ্গৈগী নীনি পানবা নুমীৎ অসিনা লাকপদা নিঙোল চাক্কৌবগী থৌরম পাঙথোকখ্রে হায়না ম্যান্মার মৈতৈ দিভেলপমেন্ট এসোসিএসনগী ফাউন্দর মেম্বর এন জি নেমিননা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

চেরোল অসিনা হায়, বর্মা লমদমগী অৱাং নোংচুপ থংবদা খুন্দারিবা মৈতৈ ফুরুপকী খুলশিংদা নিঙোল চাক্কৌবা পাঙথোকখ্রে। সৈগাং দিভিজনগী হকামতি/খমথি দিষ্ট্রিক্ট, হোমালিন টাউনসিপকী মনুং চন্না লৈরিবা নীংথি তুরেল মপালদা খুন্দারিবা টিয়েংসিয়েনগোন/টেকসিখোং খুল অসিদা মৈতৈগী তৎন-থানবা য়াদ্রবা হিয়াঙ্গৈগী নীনি পানবা নিঙোল চাক্কৌবনা লাকপদা লৈত-লায়রবা ইমুং-মনুং কয়ানসু ইমা-ইবেল, মচে-মচল কয়া নিঙোল চাক্কৌদুনা অঙম-অঙম্বা খুদোলপোৎশিং পীখি।

মফম অসি লম্বী-থোং ফৎতবনা চৎথোক-চৎশিন কয়া অমা খুদোংচাদবা মায়োক্লরি। মৈতৈগী ওইবা ফিজোল অমদি চৎনবী কয়া মুৎলকপগী ফীভমদা লাকপনা মৈতৈ ফুরুপচা কয়া অমসু মীপায়নরি। নিঙোল চাক্কৌবনা লাকপদা মফম কয়াদা খুন্দারিবা মৈতৈ, মীতৈ ফুরুপচা নিঙোল ওইবীশিংগী মফমদা য়াইফ পাউজেল পীজরি। লোয়ননা নুংঙাই য়াইফবা, নাদ-য়েক্তবা, পুন্সি-নুংশাংনা ৱাৎত-পাদনা ঈংনা চিক্না পানবা ওইরসনু হায়নসু চেরোলদুনা মখা তানা ফোঙদোরক্লি।

ইলেক্সন ওফিস হাংদোকখ্রে

ইম্ফাল, নবেম্বর ০৭ (ঐচ এন এস): কুমজা ২০২২গী অঙনবা শরুক্তা পাঙথোক্কদৌরিবা ১২শুবা মণিপুর লেজিসলেটিভ এসেম্ব্লীগী মীখলদা নাওরিয়া পাখংলাকপা এ সীদা বি জে পিগী মীরেপ ওইননবা থৌরাং তৌরিবা শোরাইশম কেবীগী ইলেক্সন ওফিস মফম অনীদা হাংদোকখ্রে।

নাওরিয়া পাখংলাকপা এ সীগী মনুং চনবা লাইশ্রম লৈকায়গী পোল্লিং ষ্টেসন ২১/২ অমসুং ২১/৩গী ইলেক্সন ওফিসশিং অদু শোরাইশম কেবীনা রিবন কক্তুনা হাংদোকখিবনি। ইলেক্সন ওফিসশিং অদু হাংদোকখিবগা মরী লৈননা নাওরিয়া পাখংলাকপা এ সীদা বি জে পিগী মীরেপ ওইননবা থৌরাং তৌরিবা শোরাইশম কেবীনা হায়খি, লাক্কদৌরিবা মীখল অসিগা মরী লৈননা এ সী অসিগী পোল্লিং ষ্টেসন খূদিংমক্কী ইলেক্সন কম্মিটি শেম্লে। পোল্লিং ষ্টেসন ১০গী ইলেক্সন ওফিসসু হাংলে। লেমহৌরিবা পোল্লিং ষ্টেসনশিং অসিদসু অথুবদা ইলেক্সন ওফিস হাংননবা থৌরাং লৈরে। অওনবা নাওরিয়া পাখংলাকপা এ সী অমা ওইহনবা ঙম্নবা কম্মিটিগী মেম্বরশিংনা পুন্না হোৎনমিন্নসি হায়নসু মহাক্না ফোঙদোকখি।

জর্নেলিজমগী লমদা মীয়ামগী থৌগল লেপ্পা লৈতনা তৌখিগনি : পিটর অদানি

PRAISE THE LORD
HILLS HORNBILL EXPRESS

ইম্ফাল, নবেম্বর ০৭ (ঐচ এন এস): চহী ১০গী মমাঙদা অশানবা কা অমদা নহা ওইরিবা এন রোং, কে অথিখো অমসুং পিটর অদানিনা সেনাপতি দিষ্ট্রিক্ট হেদ ক্বার্টরদা হৌদোকখিবা ইংলিস দেলি ন্যুজ পেপর হিলস হোর্নবিল এক্সপ্রেস (ঐচ ঐচ ঈ) ঙসি চহী ১০ মপুং ফাখ্রে। হিলস হোর্নবিল এক্সপ্রেসনা চহী ১০ মপুং ফারকপা অসিদা পাউচে অসিগী এদিটর পিটর অদানিনা পাউচে অসিবু পারিবা অমদি মণিপুর মীয়ামদা থাগৎপা ফোঙদোরক্লি।

হিলস হোর্নবিল এক্সপ্রেসনা চহী ১০ মপুং ফারকপগা মরী লৈননা পাউচে অসিগী ফাউন্দর মেম্বর অমা ওইবদা নত্তনা হৌজিক হৌজিক এদিটর ওইরিবা পিটর অদানিনা হায়খি, পাউচে অসিবু হৌদোকপদা অচৌবা থৌদাং লৌখিবা এন রোং অমসুং অথিখোগুম্বা মীওইশিং অসিনা মপাঙ্গল কল্লবা পিল্লরশিং ওইখিদুনা লৈখিবনা ঙসি পাউচে অসিনা মতম শাংনা মীয়ামগী থৌগল তৌবা ঙম্লকখিবনি। সেনাপতিগী দি সী ওইরম্বা পি কে ঝা অমদি জসিন্থা লাজারস অমসুং এস বি আইনা পাউচে অসিবু মপুং ফানা পুথোক্কবা হোৎনবদা তোঙান তোঙানবা মখলগী মতেং কয়া পীরকখিবা অসিগীদমক্তসু থাগৎলি। পাউচে অসিনা জর্নেলিজমগী লমদা মীয়ামগী থৌগল লেপ্পা লৈতনা তৌখিগনি। লোয়ননা পাউচে অসিবু হেন্না মশক মঙাল থোকহন্ননবসু অঙম্বা থাক্তা হোৎনখিগনি। মসিদা মীয়াম্নসু মপুং ফানা শৌগৎপীরক্কনি হায়বগী অচেৎপা থাজবা থম্মী। পাউচে অসিবু পুথোক্লবা হোৎনবদা পূক্লিং থৌগৎপীরকখিবা নাগা পিপলস ওর্গনাইজেসন (এন পি ও)গী প্রসিদেন্ট ওইরম্বা লৈখিদ্রবা মথিবো দিলিগী মফমদসু ঈকায়খুম্নবা উৎচরি। লোয়ননা পাউচে অসিবু মপুং ফানা পুথোক্লবা হোৎনবদা থৌদাং লৌরকখিবা পুম্নমকপুসু ঈকায়খুম্নবা উৎলি হায়নসু মহাক্না ফোঙদোরক্লি।

এৱ্যের্নেস প্রোগ্রাম পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, নবেম্বর ০৭ (ঐচ এন এস): থাঙ-তাগী নুমীৎ নবেম্বর ১৫গা মরী লৈননা থাঙ-তা ফোর সোসল চেঞ্জ হায়বা পান্দমদা হৌখিবা ওক্টোবর ১৬তগী হৌদুনা লাক্লিবা নবেম্বর ১৫ ফাওবা লমদম অসিগী তোঙান-তোঙানবা মফমশিংদা থাবুম অমা চুপ্পা চথরক্লিবা থাঙ-তা দে থাবুমগী শরুক অমা ওইনা ২৩নি শুবা নুমীৎ অসিদা কিমাক্স অমদি থাঙ-তা দে ওবজার্ভেসন কম্মিটিগা খুৎশম্নদুনা কংলাসা, ৱাখানা শীল-লাংদুনা লূপ অসিগী শান্নবুংদা এৱ্যের্নেস প্রোগ্রাম অমা পাঙথোকখ্রে হায়না থাঙ-তা দে ওবভার্ভেসন কম্মিটিগী মীদিয়া কোওর্দিনেটর এল সৈত্যমজিৎ মীতৈনা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

চেরোল অসিনা হায়, থৌরম অদুদা লৈফ্রাকপম মেঘচন্দ্র মোইরাং, প্রসিদেন্ট কংলাসা, নাওরেম চাওবা (ৱাখা), লৈতান্থেম ধমেন্দ্রো, এদভাইজর কিমাক্স অমসুং ভাইস চেয়রমেন থাঙ-তা দে ওবজার্ভেসন কম্মিটি, হিজম সনাহল মঙাং, চীফ ইন্সত্রক্টর কংলাসা, তখেল্লম্বম পারিজাৎ মৈতৈ, এদভাইজর কিমাক্সনা অথোইবা মীথুংলেনশিং ওইখি। লোয়ননা থৌরম অদুদা কংলাসাগী শান্নরোয়শিং, লৈকায়গী অহল-লমনশিং লোয়ননা কিমাক্স অমদি থাঙ-তা দে ওবজার্ভেসন কম্মিটিগী মেম্বরশিংসু শরুক য়াখি।

থৌরম অদুগী ৱাঙাংলোয় হিজম সনাহল মঙাং, চীফ ইন্সত্রক্টর কংলাসানা ফোঙদোকখিবদা, ঙসিগী মীরোলনা থাঙ-তা হায়রগা চুম্নগী মপাল থোংগী ওইবা মীৎয়েংদা খক্তমক য়েংবা অসি খ্বাইদগী অরানবা মীৎয়েং অমনি। ঐখোয়না থাঙ-তাগী নুংগী ওইবা মীৎয়েংদা অমুক্তং য়েংমিন্নদুনা মহৈ অসিগী নুংগী ওইবা ৱাখল্লোন খঙমিন্নবগী মতাং অদু য়ৌরক্লে। লোয়ননা থাঙ-তাগী মথৌ অসি শিনবা ঙম্নবা হোৎনবদা মমা ওইবীশিংগী থৌদাং অসুক্কী মতিক য়াম্না চাউই। অফবা খুন্নাই অমা শেমগৎলক্কুবা হোৎনবদা মমা ওইবীশিংনা লৌগদবা থৌদাং অদু মুন্না খঙদ্রবদি কৈদৌনুংদা মায় পাকপা ঙম্লোই হায়নসু ফোঙদোকখি।

তখেল্লম্বম পারিজাৎ মৈতৈ, এদভাইজর কিমাক্সনা হায়খিবদা, লমদম অসিদা লৈরিবা কাঙলুপশিংনা মচৌই-মচৌই তনদুনা অমগা অমগা য়েংথিনরিবা, নুংশিনদ্রিবা খূদিংমক অসি ঐখোয়না ঐখোয়গী পুৱারীবু হৌজিক্কী মীরোলনা নৈনরুদবা অমদি হঙ্গৎনা য়েংলুদবগীনি। মরম অসিনা হৌজিক্তি অমত্তা ওইনা পুনশিন্দুনা অপূনবা অফবা খুন্নাই অমা শেমগৎননবা হোৎনমিন্নদুনা লমদম অসিবু মালেমদা অমুক্তং শক তাকমিন্ননবা ইপা-ইপুশিংনা থন্বীরম্বা থাঙ-তাগী মহৈ কাঙলোন অসি ফুরুপকী খেন্নবা লৈতনা তামিন্নরসি হায়নসু ফোঙদোকখি হায়রি।

ওক্টোবর রিভোল্যুসনগী থৌরম পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, নবেম্বর ০৭ (ঐচ এন এস): মালেমগী মরুওইবা অচৌবা থৌদোকশিংগী মনুংদা তোমথিন ঙানবা থৌদোক অমা ওইরিবা ওক্টোবর রিভোল্যুসনগী থৌরম লেফ্ট পার্টিশিংনা শীন্দুনা ঙসি শান্তিপুর, সঞ্জেনবম, ইম্ফাল ইষ্টতা লৈবা ইরাবত মেমোরিএল লাইব্রেরী শঙলেনদা পাঙথোকখ্রে হায়না দি গ্রেট ওক্টোবর রিভোল্যুসন সেলেব্রেসন কম্মিটি, ইম্ফালগী কনভেনর লোকতোংবম সনাতোম্বনা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

চেরোল অসিনা হায়, মণিপুর লাইব্রেরী এসোসিএসনগী প্রসিদেন্ট কাংজম চাওবা, আর এস পিগী সেক্রেটরিয়েট মেম্বর কাংজম মনোরঞ্জন অমসুং লাইশ্রম গোজেন অহুম্না প্রসিদিয়ম মেম্বরশিং ওইদুনা পাঙথোকখিবা থৌরম অদুদা সী পি আই মণিপুরগী সেক্রেটরি এল সোটিনকুমারনা ফোঙদোকখিবদা, ওক্টোবর রিভোল্যুসনগী মতুংদা মালেমগী লৈবাক কয়া অমদা অহোংবা অমসুং অওনবা কয়া অমা লাক্তুনা মনিং মখা তম্বা লৈবাক ওইখিবগা লোয়ননা সোসলিজম চৎপা লৈবাক কয়ামরুম পুথোক্তুনা চাউখৎপা লৈবাক অমম ওইখ্রে। মসি ভি আই লেনিননা মালেমদা তম্লম্বা অচৌবা খুদোল অমনি।

থৌরম অদুদা সী পি আই (এম) মণিপুরগী সেক্রেটরি ক্ষেত্রিময়ুম শান্তনা হায়খি, ওক্টোবর রিভোল্যুসন রুসতা মায় পাক্কবা লেনিননা এপ্রিল থেসিস পুথোক্তুনা য়ুনাইটেদ ফ্রন্ট অমা শেমখিবা অদুগুম্না মণিপুরদসু লাক্কদৌরিবা কুমজা ২০২২গী ১২শুবা জেনরেল ইলেক্সনদা বি জে পি মায়থীবা পীনবা ৱাখল মান্নবা পার্টি পুম্নমক পুন্দুনা য়ুনাইটেদ ফ্রন্ট অমা শেমদুনা চঙশিনগনি হায়খি হায়নসু চেরোল অসিনা মখা তানা ফোঙদোরক্লি।

চীফ মিনিষ্টরগী পূক্লিং চিংশিল্লক্লি

ইম্ফাল, নবেম্বর ০৭ (ঐচ এন এস): পাৎশোই পার্ট ৱান টু ফোর জেইন্ট দিভেলপমেন্ট ওর্গনাইজেসনগী এগজিক্যুটিভ বোদি মীফম অমা ঙসি অয়ুক সগোলশেম সঞ্জিৎকী শঙ্গাইদা কোঞ্জেংবম বিরেননা থৌবুরেল ওইদুনা পাঙথোকখিবগা লোয়ননা ৱাফম কয়া খন্নরদুনা থবক্তা ওন্থোকপীননবা চীফ মিনিষ্টরগী পূক্লিং চিংশিল্লক্লি।

পাৎশোই পার্ট ৱান টু ফোর জেইন্ট দিভেলপমেন্ট ওর্গনাইজেসনগী জেনরেল সেক্রেটরি সগোলশেম সঞ্জিৎনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়, মীফমসিদা পাৎশোই পার্ট ৱানদগী লৈখিদ্রবা ইন্সপেক্টর লিশম প্রেমচান্দনা পাৎশোই পি এসকী ও সী ওইরিঙৈদা পাৎশোইগী অফবা থবক কয়া তৌরম্বা, মহাক্না নম্বোল পি এসকী ও সী ওইরিঙৈদা কুমজা ২০১৪গী সেপ্টেম্বর ৩০দা নম্বোল চীংমাংদা লৈবা লোনা অথিংবা লৈরিবা গঞ্জা য়োনফম অমা মহাক্কী কাঙবুগা লোয়ননা থুগায়নবা চৎলুবদা য়োল্লিবা য়ুম্বদুনা লুচিংলগা মীওই খরনা তমথীনা ফুবদগী কোক্তা শোক্তুনা চহী ৭ লোম মতম শাংনা লায়েংদুনা লৈরক্লবা মতুং কুমজা ২০২০দা পুন্সি লোমখি। লোয়ননা লৈখিদ্রবগী মতাংদা চীফ মিনিষ্টরনা লাউথোকপীখিবশিং অদুগী মতাংদসু কুপ্না খন্নখি। লাউথোকখিবা ৱাফমশিং অদুদা য়াওখিবা এক্স-গ্রেসিয়া অমদি লৈখিদ্রবা ইন্সপেক্টর প্রেমচান্দনা লায়েংবদা চঙখিবা শেনফমশিং হৌজিক ফাওবা পীবীদবা অসিদা জে এ সীনা লৈঙাক্কী মায়কৈদা পেন্দবা পোকই। লোয়ননা লৈখিদ্রবা ইন্সপেক্টর প্রেমচান্দগী চহীগী থৌরম মমাঙদা চীফ মিনিষ্টরনা থবক ওইনা পায়খৎপীরক্কনি হায়বগী থাজবসু থমজরি।

জে এ সীনা লৈখিদ্রবা ইন্সপেক্টর প্রেমচান্দগী মনাওনুপা লিশম গীতচন্দ্রবু সব-ইন্সপেক্টরগী পোষ্ট অমা কেবিনেট মীফম্না হাপখিবা অসিদা থাগৎপা ফোঙদোকই। লিশম গীতচন্দ্র অসি মাষ্টর ওফ কম্প্যুটর এপ্লিকেসন (এম সী এ) লোইরবা মতুংদা কুমজা ২০০৪দগী মল্টি নেসনল আই টি কম্পেনি কয়াদা থবক চাউনা তৌরক্তুনা লৈরকখি। ময়াম্বা প্রেমচান্দনা লৈখিদ্রবা মতুংদা ইমুং-মনুং য়েংশিন্ননবা ময়ুমদা থোরক্তুনা লৈরকখিবনি। মহাক আই টিগী লমদা চহী ১৭ রোম এক্সপিরিয়েন্স লৈরবনি। মরম অসিনা লিশম গীতচন্দ্রবু আই টিগী লমদা দেপ্যুটি দিরেক্টর ওইনা নৎত্রগা পুলিস দিপার্টমেন্টতা ইন্সপেক্টরদগী তাদবা থবক অমা হাপ্পীদুনা ৱারবা ইমুংসিবু মতেং পাংবীনবা ঙসিগী মীফম্না চীফ মিনিষ্টরগী পূক্লিং চিংশিনখি হায়নসু চেরোলদুনা মখা তানা ফোঙদোরক্লি।